# তরাতরেৎশুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম বি এ) না শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা কাইরেনবিখোক ময়ায় লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা কাইরেনবিখোক য়ুথ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (কে ৱাই এস য়ু) না য়ূম্বু ওইদুনা ১৭শুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ ঙসি হৌদোকখ্রে।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী বোল্লিবোল টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল দেবেন, বি জে পি মোর্চা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ও সুনিলকুমার, ৱাংজিং লমদিং নগর পঞ্চায়টকী হান্নগী চ্যেরমেন এস জয়দেব অমসুং ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী কেসিয়র ৱাই বসন্তকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এ এম ৱাই সী অন্দ্রো অমসুং ৱাই পি এ হিরানমৈ শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এ এম ৱাই সী অন্দ্রোনা ৱাই পি হিরানমৈবু ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৯, ২৫-১৪) দা, অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী এস দি সী শমুরৌ অমসুং আই জি ও ওইনাম শান্নখিবা মেচ অদু এস দি সী শমুরৌনা আই জি ও ওইনাম্বু ৩-১ (২৫-১৩, ২৫-১৭, ২০-২৫, ২৫-১৯) দা, অহুমশুবা মেচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং কে ৱাই এস য়ু কাইরেনবিখোক শান্নখিবা মেচ অদু এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না কে ৱাই এস য়ুবু ৩-২ (২২-২৫, ২৩-২৫, ২৫-১৬, ২৫-২৩, ১৫-১২) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেচ ওইনা মরিশুবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং এস ঈ এম দি ও পাঙলতাবী শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা এস ঈ এম দি ও পাঙলতাবীবু ৩-১ (২৩-২৫, ২৫-১৫, ২৫-১৫, ২৫-১৪) দা, মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ সীগী এস য়ু দব্লিয়ু সী-বি ইরেংবম অমসুং মিখ্যা-এ ময়াং ইম্ফাল শান্নখিবা মেচ অদু মিখ্যা-এ ময়াং ইম্ফালনা এস য়ু দব্লিয়ু সী-বি ইরেংবমবু ৩-০ (২৫-১৬, ২৫-১১, ২৫-৯) দা অমসুং তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এস য়ু দব্লিয়ু সী-এ ইরেংবম অমসুং মিখ্যা-বি ময়াং ইম্ফাল শান্নখিবা মেচ অদু মিখ্যা-বি ময়াং ইম্ফালনা এস য়ু দব্লিয়ু সী-বি ইরেংবম্বু ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-২৩, ২৫-২২) দা মায়থীবা পীখি।

১৭শুবা মিনি বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ৭শুবা মেচ ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী কে ৱাই এস য়ু অমসুং এস দি আই, ৮শুবা মেচ ওইনা অয়ুক পুং ৯ তাবদা গ্রুপ বিগী টি আর ৱাই ভি সী অমদি এস ঈ এম দি ও, ৯শুবা মেচ ওইনা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মিখ্যা-এ অমসুং এস দি সী, ১০শুবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ দিগী মিখ্যা-বি অমদি এ এম ৱাই সী, ১১শুবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ সীগী এস য়ু দব্লিয়ু সী-বি অমদি আই জি ও অমসুং ১২শুবা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ দিগী এস য়ু দব্লিয়ু সী-বি অমসুং ৱাই পি এ শান্নগনি হায়রি।

৩শুবা টি ঐচ হেরা সিংহ ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এম আই টি এল জিরিবামনা এল ঈ সী বাবুপড়াবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন (দি এ কে) জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা ৩শুবা টি ঐচ হেরা সিংহ ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী মেচতা এম আই টি এল জিরিবাম্না এল ঈ সী বাবুপড়াবু মায়থীবা পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম কয়াদগী কাংখূৎ মঙানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা টি ঐচ হেরা সিংহ ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা মেচ ওইনা এম আই টি এল জিরিবাম অমসুং এল ঈ সী বাবুপড়া শান্নখি। মেচ অদু এম আই টি এল জিরিবাম কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এল ঈ সী বাবুপড়া কাংখূৎনা কাং কাপ্পা হৌখি।

কাংখূৎ অনগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা এম আই টি এল জিরিবাম কাংখূৎনা এল ঈ সী বাবুপড়া কাংখূৎপু পাঞ্জল ১১-১০দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এ ইবোতোন্না অম্পায়র অমসুং ও মঙ্গি মীতৈনা স্কোর কিপর ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা ওক্টোবর ৪দা এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবী কাংখূৎ অমসুং দিবোং জি বি জিরিবাম কাংখূৎকা শান্নগনি। কাং টুর্নামেন্ট অসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী আই বি লৈকায়দা লৈবা টি ঐচ হেরানা স্পোন্সর তৌবনি।

# গ্যানেন্দ্রো হোকি ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিব বোর্দকী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট খনখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) ঃ ন্যু দেল্লিগী বদরপুরদা লৈবা ব্লোক ঈগী মোহন কোওপরেটিভ ইন্দষ্ট্রিএল ষ্টেট হোকি ইন্দিয়াগী বোল রুমদা পাঙথোকখিবা হোকি ইন্দিয়া কোংগ্রেসকী মীফমদা মণিপুর হোকিগী মেম্বর গ্যানেন্দ্রো নিঙোম্বমবু হোকি ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিব বোর্দকী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মুষ্টাক অহম্মদ সেক্রেটরি জেনরেল রাজেন্দ্র সিংহ, ত্রেজরর টপন কুমার দাস, ভাইস প্রসিদেন্ট ভোলানা অমসুং অসামা আলি, জোইন্ট সেক্রেটরি ফেরোজ অন্সারি অমদি অসুন্তা লক্রা অমদি হোকি ইন্দিয়াগী মেম্বর আর্টি সিংহ, রেনুকা লক্সমি অমসুং সুব্রমনয়া গুপ্তা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, গ্যানেন্দ্রো নিঙোম্বম নোর্থ ইষ্টতা ইন্দিয়ন হোকিগী সেনিয়র ভি পি ওইনা খল্লপা অসি মহাক্না ইহান হানবনি হায়রি।

# মণিপুর পৱরলিফটিং টিম্না মেদল তরেৎ লৌরক্লে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) ঃ লক্ষনৌদা সেপ্টেম্বর ২৬তগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা পাঙথোকখিবা নেসনল ক্লাসিক (অন ইক্বিপ) মেন এন্দ ৱিমেন সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র এন্দ মাষ্টরস পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী পৱরলিফটিং টিম্না মেদল তরেৎ লৌরক্লে।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদগী পৱরলিফটর নুপা অমসুং নুপী কয়ানা শরুক য়াদুনা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র অমসুং মাষ্টর হায়না কেটেগোরি মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চাংদম্নখিবদা মণিপুরগী মাষ্টর মেনগী কেজি ৫৯গী কেটেগোরিদা কিরন কুমার কাংজম্না স্কাৱাদতা কেজি ১১০, বেন প্রেসতা কেজি ৫০ অমসুং দেথ লিফ্টতা কেজি ১২২.৫ পূন্না কেজি ২৮২.৫ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল, মাষ্টর টুগী কেজি ৬৬কী কেটেগোরিদা টি ঐচ নিংথেম্বনা স্কাৱাদতা কেজি ৮০, বেন প্রেসতগা কেজি ৮০, দেথ লিফটতা কেজি ১০০ পূন্না কেজি ২২০ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল, নুপীগী মাষ্টর ৱানগী কেজি ৫৭কী কেটেগোরিদা এন জি তোম্বীনা স্কাৱাদতা কেজি ৯০, বেন প্রেসতা কেজি ৬০, দেথ লিফটতা কেজি ১২০ পূন্না কেজি ২৭০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর, মাষ্টর ৱান কেজি ৬৩গী কেটেগোরিদা এম ইবেমচানা স্কাৱাদতা কেজি ৮০, বেন প্রেসতা কেজি ৫০, দেথ লিফটতা কেজি ১০০ পূন্না কেজি ২৩০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর, মাষ্টর টুগী কেজি ৭২গী কেটেগোরিদা টি ঐচ ইবেয়াইমনা স্কাৱাদতা কেজি ৭২.৫, বেন প্রেসতা কেজি ৩০, দেথ লিফটতা কেজি ৮০ পূন্না কেজি ১৮২.৫ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল, মাষ্টর টুগী কেজি ৮৪গী কেটেগোরিদা ঐচ ইবেমপিশক্না স্কাৱাদতা কেজি ৫৫, বেন প্রেসতা কেজি ২৭.৫, দেথ লিফটতা কেজি ৭৫ পূন্না কেজি ১৫৭.৫ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমসুং মাষ্টর ৱানগী কেজি ৪৭কী কেটেগোখিরদা এন সুনিতানা স্কাৱাদতা কেজি ৬০, বেন প্রেসতা কেজি ৩০, দেথ লিফটতা কেজি ৮০ পূন্না কেজি ১৭০ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

# আর এস সী, জে এম টি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস) ঃ মাইপৌ সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এম এস ৱাই দি ও) না ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এম এস এ) গী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম কুমসি চহীগী ওইনা ১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা আর এস সী অমসুং জে এম টি মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৬৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৩০শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা জে এম টি অমসুং পি এস ৱাই সী শান্নখিবা মেচ অদু জে এম টিনা গোল ২-০দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা শুটিং ষ্টার অমসুং আর এস সী শান্নখিবা মেচ অদু আর এস সীনা পেনালটিদা গোল ২-০দা মায় পাকখি।

# য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখূৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচ এন এস)ঃ নম্বোল বমদিয়ার কাং এসোসিএসন বমদিয়ারনা শীন্দুনা অমদি মণিপুর কাং এসোসিএসন্না স্পোন্সর তৌদুনা থা অসিগী ২৪দগী হৌদুনা চীংথাং লাইরেম্বী কাংশঙদা চত্থরিবা ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি ২০১৮ (চহী ৬০ মথক) গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখূৎ মায় পাকখ্রে। কাংখূৎ ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা বমদিয়ারদা লৈবা চীংথাং লাইরেম্বী কাংশঙদা চত্থরিবা ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি ২০১৮গী ৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি য়াইস্কুল কাংখূৎ অমসুং তেকা কাংখূৎ শান্নখিবগা মেচ অদু য়াইস্কুল পাঞ্জল ১৭-১০দা মায় পাকখি। ঙরাং চীংথাং লাইরেম্বী অমসুং শিংজমৈ শান্নখিবা মেচ অদু শিংজমৈ কাংখূৎনা চীংথাং লাইরেম্বীবু পাঞ্জল ১২-১১দা মায়থিবা পীখি হায়না ওর্গেনাইজিং কম্মিটগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com